# ওল ইন্দিয়াগী বন্দদা মণিপুরদা থোইনা মমি তাখিদ্রে পুলিসনা বন্দ মনুংদা ধর্মশালাদা চথখিবা প্রোটেষ্ট থুগায়খ্রে

*খৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল , মে ৩১:* পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ৭.৫০গী চাংদা হেনগৎলকপগী মায়োক্তা বিজেপিনা লুচিংবা এনদিএ অমসুং লেফ্ট পার্টিশিংনা ঙসি কৌখিবা ভারত বন্দ মণিপুরদদি য়াম্না মপুং ফাবা অমা হায়বদু ওইখিদ্রে। অদুম ওইনমক বন্দ মনুংদা ত্রেদ য়ুনিয়ন্না লুচিংদুনা চথখিবা প্রোটেষ্ট অমা সিটি পুলিসকী কাংবু লাক্তুনা থুগায়খ্রে।

এনদিএ অমসুং লেফ্ট পার্টিনা কৌখিবা ভারত বন্দ অদু কংগ্রেসনা লুচিংলগা শাসন তৌবা ষ্টেটশিংদদি থোইনা মমি তাখিদে। অদুম ওইনমক কংগ্রেস অমসুং এনসিপি অনিনা চুংশিন্নরগা শাসন তৌরিবা ফাইনান্সিয়েল কেপিটেল মুম্বাইদদি বন্দ সপোর্টরশিংনা গাড়ী কয়া থুগায়দুনা অমাং-অতা থোকহনখি। লক্ষী-শোরোক্তা নুং অমদি অতে উ-ৰা ফৈজিন্দুনা থিংখি। বিহারদা এনদিএগী কনভেনর অমসুং জেদি (য়ু)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট সরদ যাদব য়াওনা বিজেপিগী লুচিংবা সহনৱাজ হুশেইন এক্তিভিষ্ট ৮০০ গা লোয়ননা বন্দ ইনফোর্স তৌবগীদমক পুলিসনা ফাজিন্দুনা কষ্টদিদা থমখি। অমরোমদা জেদি (য়ু)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট সরত যাদবনা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা অতে ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটিশিং মমল কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রবা য়ুপিএ সরকার লুচিংলিবা প্রাইম মিনিষ্টর ডা: মনমোহন সিংহ রিজাইন তৌগদবনি হায়না দাবী তৌখ্রে।

মণিপুরদসু ঙসি ভারত শিনবা থুংনা চথখিবা বন্দ অদু ত্রেদ য়ুনিয়ন অমদি অতে লুপ কয়ানা শৌগৎতুনা চথখি। মপুং ওইনা খ্বাইরক্ষন্দ কৈথেল থোং লোনখি। অদুম ওইনমক অতে এরিয়াদদি য়াম্না ইফেক্তিভ ওইবা অমা হায়বদুদি ওইখিদে। বন্দগী নামাদা সরকারগী লোয়শঙশিং মী কানখিদে। স্কুল কলেজতসু মসিগী মমি তাখি

## পেট্রোলগী মমল লুপা ১.৬০ হঙ্গরবা য়ারি

*নিউদিল্লি,মে ৩১ঃ* এনদিএ অমসুং লেফ্ট পার্টিশিংনা পেট্রোলগী মমল হেনগৎলকপগী মায়োক্তা অকনবা ঈহৌ চংশিনখিবগী ফলনা ওইল মার্কেটিং কম্পানিশিংনা পেট্রোলগী মমল লিটর লুপা ১.৫০-১.৬০ দা হঙ্গরকপা য়াই হায়রি। অদুম ওইনমক মমল অসি ঙসি অহিং নোংয়াইদগী নত্রগা নোংমা নিনিগী মতুংদা হঙ্গরক্কদ্রা হায়বদুদি হৌজিকমক্কী ওইনা হায়বা ঙমদ্রি। অদুবু হয়েং মমল অসি রিভাইস তৌরবা য়াই হায়রি। নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১ খরা হেল্লকপদা সিটি পুলিসকী টিম অমা লাক্তুনা থুগায়খি। বন্দ অসিগী মতাংদা ত্রেদ য়ুনিয়নগী কোওর্দিনেটর সোতিনকুমারনা ফোঙদোরকখিবদা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মণিপুর য়ুনিটনা লুচিংদুনা ঙসি ইম্ফালগী ধর্মশালাদা পেট্রোলগী মমল হেনগৎপগী মায়োক্তা চথখিবা ধরনা পুলিসনা থুগায়খিবা অদু কন্দেম তৌই।

কেন্দ্রগী কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ুপিএ সরকারনা কেপিটেলিষ্টশিংবু শৌগৎলগা নোংমগী শুরগা চাজরিবা কয়াবুনা হাৎলগে হায়বগী মতাগুম পেট্রোলগী মমল হেনগৎলকপা য়ানিংদে। ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা চংশিল্লিবা খোঙজং অসি মীওই খুজোক খরখক্কী নত্তে। হন্দক পেট্রোলগী মমল খঙহেন হেনগৎলকপসি ভারত সরকারগী থৌশিল শোয়বদগীনি। অসিগুম্বা থৌশিল অসিগী মায়োক্তা মীয়াম পুন্না থেংনমিন্নবা চংই হায়খি।